## মালেমগী অঙকপশিং

# দ গ্রেট ৱাল ওফ চাইনা



চাইনাদা হুন, মোঙ্গোল অমদি অতৈ ট্রাইবশিংনা লান্দারকপা ঙমদনবগীদমক মাইল ৪,১৬০ শাংবা গ্রেট ৱাল অসি শাখিবনি। খৃষ্টতগী মমাঙ তরেৎশুবা চহীচাদা শাবা হৌখিবা পল অসি শেমগৎপদা চহীচা কয়া চঙখি। মালেমদা মীনা শাবা ঙস্বা খ্বাইদগী শাংবা ষ্ট্রকচর অসি স্পেস (শুন্দ্রং)দগী উবা ফংই।

তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিংনা চাইনাদা লান্দারকপা ঙমদনবগীদমক অৱাং থংবা ঙমখৈ পরিংদা নোংপোক্তগী নোংচুপ ফাওবা চেক, নুঙ, লৈবাক, উ অমদি অতৈ পোৎলম কয়া শীজিন্নদুনা শাংনা পল খাগৎলি। অহানবদা খাগৎখিবা তোঙান তোঙানবা পল মচাশিং কাইনথংবা পূন্না শমজিন্নদুনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনখ্রবা মতুংদা গ্রেট ৱাল ওফ চাইনা হায়না খঙনখিবনি। অহানবা ওইনা খৃষ্টতগী মমাঙ ২২০ দগী ২০৬ ফাওবগী মনুংদা চাইনাগী অহানবা নিংথৌরেল কিন শি হুৱাংনা খাগৎখিবা পল অদুনা খ্বাইদগী মমিং চৎখি। হায়রিবা চেকপল অদুগী শরুক অয়াম্বা ঙসিদি লৈত্রে। মতুং তারকপদা তোঙান তোঙানবা চেকপল কয়া খাগৎলকখি। হৌজিক লৈরিবা পল অয়াম্বা মিং দাইনেষ্টি মতমদা খাগৎপা হৌখিবনি।

গ্রেট ৱাল শেমগৎখিবগী অতৈ অতোপ্পা মরমশিংগী মনুংদা ঙমখৈ ঙাক শেনবা, সিল্ক রোদতা পুথোক-পুশিন তৌবা পোৎলম-শিংদগী টেক্স লৌবা অমসুং ঙমখৈ লান্থোক-লানশিন তৌবা থিংবা অসিনচিংবা য়াওরি। তুংদা ৱাটচ টাৱর, লান্মীগী বেরেক অমসুং গেরিসন ষ্টেশনশিং শেমগৎখি-বদগীদি গ্রেট ৱালগী কান্নবা হেনগৎলকখি। গ্রেট ৱালগী মপুং ওইবা শরুক অদু নোংপোক থংবা মায়কৈদা শানহাইগুৱনদগী নোংচুপ লোমদা লোপ লেক ফাওবা শন্দোক্লম্মী। অর্কিওলোজিকেল সর্ভে অমগী মতুং ইন্না ৱালগী অশাংবা কিলোমিটর ৮,৮৫০ (মাইল ৫,৫০০) নি। অতোপ্পা অর্কিওলোজিকেল সর্ভে অমগী মতুং ইন্নদি তোঙান তোঙানবা মশাশিং থারগা গ্রেট ৱালগী অপুনবা অশাংবা কিলোমিটর ২১,১৯৬ (মাইল ১৩,১৭১) নি হায়রি।

দ গ্রেট ৱাল ওফ চাইনাগী তোঙান তোঙানবা মমিং কয়ামরুম লৈ। তোঙান তোঙানবা মীরোলনা মসিবু "চাং চেং", "দ ৱাল্স ওফ কিন শি হুৱাং", "ৱানলি চাং চেং", "ফ্রন্টিয়র", "আওটর ফোর্ট্রেস", "বোর্দর ৱাল", "পর্পল ফ্রন্টিয়র" অমদি "অর্থ দ্রেগোন" হায়না খঙনরম্মী। কিন, ৱৈ, ঝাও, কি, য়ান অমদি ঝোং শান্নচিংবা চাইনাগী য়েংথিনবা ষ্টেটশিংনা মশা-মশাগী ঙমখৈ ঙাক-শেন্নবগীদমক পল ৱাংনা খাগৎপগী চৎনবী অমা লৈরম্মী।

খৃষ্টতগী মমাঙ ২২১ দা কিন শি হুৱাংনা য়েংথিনবা ষ্টেটশিং খুদুম চন্দুনা কিন দাইনেষ্টিগী মখাদা অপুনবা চাইনা অমা শেমগৎখি। অপুনবা লৈঙাক অমা শেমগৎতুনা লালহৌ মচা-মচাশিং নমথনবগী পান্দমদা মহাক্না ৱালগী শরুক খরা শীদোক্লগা হেন্না মপুং ফাবা অমসুং মওং তাবা পল অমা খাগৎনবা য়াথং পীখি। মতৌ অসুম্না নৌনা খাগৎখিবা পল অদু কয়া য়াম্না শাংবগে হায়বা চপ চানা খঙনবা মতীক চাবা রেকোর্দ অমত্তা ফংবা ঙমদ্রে। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না ৱালগী শরুক অয়াম্বা অমাঙ-অতা থোকখিবদগী শরুক খরতমক ঙায়হৌরে। অইবা কয়ানা ইদুনা থল্লম্বা রেকোর্দশিংগী মতুং ইন্না ৱাল অদু শাবদা শিন্মী লীশিং চা কয়া শিখি হায়রি। তুংদা ১৪ শুবা চহীচাগী অদুৱাইদা গ্রেট ৱালগী ৱাখল্লোন অসি মিং দাইনেষ্টিগী মতমদা নৌহৌনা অমুক হৌদোক্লরকখি।

টুমুগী লানফমদা কিরাটশিংনা মিং আর্মিবু মায়থিবা পীখিবা অমদি লানফম কয়াদা মোঙ্গোলিয়ন ট্রাইবশিংনা মিং ফুরুপ্পু হঞ্জিন-হঞ্জিন মায়থীবা পীখিবদগীদি অৱাং থংবা চাইনাগী ঙমখৈদা মিং ফুরুপ্না নৌনা চেকপল খাগৎপগী ৱাখল পোক্লকখি। হন্দক্তি চেক অমসুং নুঙ শীজিন্নবা মরম্না ৱালগী মপাঙ্গল হান্নদগী য়াম্না হেন্না কল্লম্মী। ৱালগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা ৱাটচটাৱর ২৫,০০০ রোম শেমগৎতুনা য়েক্ল বশিংগী খুৎতগী চাইনাবু ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎলম্মী।চাইনাগী গ্রেট ৱাল অসি শুন্দ্রংদগী য়াম্না ময়েক শেংনা উবা ফংই হায়না তোঙান তোঙানবা এষ্ট্রোনোটশিংনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। য়ুরোপিয়ন স্পেস এজেন্সি ঈ এস এনা শুন্দ্রংদগী নল্লকপা গ্রেট ৱালগী ফোটোগ্রাফশিং ৱেবসাইটতা থাগৎলকখি। চাইনীজ-অমেরিকন এষ্ট্রোনোট লিরোই চিয়াওনসু ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন্দগী গ্রেট ৱালগী ফোটো নল্লকখি।

চাইনাগী গ্রেট ৱাল অসি ঙসিদি মালেমগী ওইনা খুৎ-শা হৈবগী খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইবা খুদোল অমনি হায়না লৌনরে। কুমজা ১৯৮৭ তা য়ুনাইটেদ নেশন্স এদ্যুকেশনেল, সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো) না গ্রেট ৱালবু ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীনা শাবা পোৎশক অমবু থা লৈবাক্তগী উবা ঙম্বসি গ্রেট ৱাল মথনতনি হায়না ফোঙদোকখি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই লীশিং চা কয়ানা চহী খুদিংগী গ্রেট ৱাল য়েংবা চৎনরি।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – ৱারেন এদৱার্দ বফেট –



ৱারেন এদৱার্দ বফেট (ওগষ্ট ৩০, ১৯৩০দা পোকখিবা) অসি অমেরিকান বিজনেস মেগনেট, ইনভেষ্টর অমসুং ফিলান্থ্রোপিষ্ট অমনি। মীওই কয়ানা মহাকপু মালেমগী খ্বাইদগী মাই পাক্লবা ইনভেষ্টরশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনৈ। মহাক বকসাইয়র হাথৱেগী চ্যেরমেন সী ঈ ও অমসুং খ্বাইদগী চাওবা স্যেরহোল্ডরনি অমসুং মহাক মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা, মরল-মথুম লৈবা মীশিংগী মনুং চন্দুনতা লাকখি। কুমজা ২০০৮দা মহাক্না মালেমগী খ্বাইদগী ইনাকখুনবা মীশক ওইখি। কুমজা ২০১২দা টাইম মেগাজিননা মহাকপু মালেমদা খ্বাইদগী ঈথিল পীবা ঙম্বা মীওই খরগী মনুংদা অমনি হায়না লাউথোকখি।

শেল-থুমগী লমদা তৌরু তৌরুবদা মাই পাকহনবা ঙম্বগীদমক্তা বফেটপু ৱিজর্দ ওফ ওমাথ নৎত্রগা ওরেকল ওফ ওমাহা নৎত্রগা সেজ ওফ ওমাহা হায়না তোইনা কৌনৈ। মহাক ভেল্যু খঙনা ইনভেষ্ট তৌবা অমসুং মশাগী ওইনা শেল কুপ্না শীজিন্নবগীদমক্তসু মমিং চৎলি। মহাক মীওইবা কাঙলূপকী নুংঙাই য়াইফনবা, অৱা-অনা কোকহন্নবা তৌবা মশক নাইবা অমসুনি। অশেংবা ফিলান্থ্রোপিষ্ট অমা ওইনা বফেটনা মশাগী মরল মথুম পুন্সিগী চাদা ৯৯দি মরু ওইনা গেটস ফাউন্দেসনগী খুথাংদা মীওইবগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিংদা কথোকখ্রে। কুমজা ২০১২গী এপ্রিল ১১দা মহাক প্রোষ্টেট কেন্সরনা নারে হায়না খঙখি। লায়না অসিগীদমক্তা চহী অসিগী সেপ্টেম্বরদা ডোক্টরশিংনা মহাকপু মপুং ফানা লায়েংখি। মহাক পোলিটিকেলগী হীরমশিংদসু এক্টিভ ওই। কুমজা ২০১৬কী প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সন্দা মহাক্না দেমোক্রেটিক কেন্দিদেট হিলারি ক্লিন্টনবু শৌগত্তুনা লাকখি।

অমেরিকাগী বিজনেস লিদরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বফেট কুমজা ১৯৩০দা নেব্রস্কাগী ওমাহাদা পোকখি। মহাক মচিন মনাও অহুমগী মনুংদা অনীশুবনি অমসুং কোংগ্রেসমেন হোৱার্দ বফেটকী অমত্তা ঙাইরবা মচানুপা ওইরমই। টার্ম মরিরক কোংগ্রেসতা থাগৎলকখিবা মহাক্কী মপাগী অহানবা টার্মদা মখোয়গী ইমুং ৱাশিংটন দি সীদা হোংজিনখি অমসুং ৱারেননা এলিমেন্টরি স্কুল তম্বা লোইশিন্দুনা এলিস দিল জুনিয়র হায় স্কুলদা মিং চনখি। মহাক কুমজা ১৯৪৭তা ৱুদ্রো ৱিলসন হায় স্কুলদা হায় স্কুলগী থাক লোইশিনখি। মহাক্কী সিনিয়র ইয়রবুকত্তা অঙ্কা পামই, তুংগী ষ্টোরব্রোকর অমনি হায়না ইখি।

হায় স্কুল লোইরবা মতুংদা সাইদতা এন্ট্রাপ্রেন্যুরল অমসুং ইনভেষ্টমেন্টকী ভেঞ্চরশিংদা মাই পাকখিবগা লোয়ননা বফেটনা কলেজ তমদবীদা বিজিনেসতা দাইরেক্ট ওইনা খোঙদাবা পামখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মপানা মদু য়াখিদে। চহী নৌরিঙৈ মতমদগী হৌনা বফেটনা বিজিনেস অমসুং ইনভেষ্টিংদা থৱাই য়াওবা উৎখি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমগী বিজিনেস ভেঞ্চর ওইনা বফেটনা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙদা চঙদুনা চ্যুৱিঙ্গম, কোকা কোলা বোট্টলশিং নৎত্রগা চয়োলগী চেফোঙশিং য়োল্লমই।

## হকশেল কাঙলোন :

# থজীন শৌগৎপা : কমদৌনা ঙাকথোক্কদগে




চাকখাউগী লাইনিং নৎত্রগনা দ্যুদেনম কৌবা স্মোল ইন্টেষ্টাইনগী অহানবা শরুক্তা চাথখৎপদগী চৈনাখোল ফাওরকপবু পেপ্টিক অলসর হায়না খঙনৈ। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অলসর ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম পুথোকপা কনামত্তনা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক মসিমদি ময়েক শেংনা খঙলে মদুদি চাকখাউ অমসুং দ্যুদেনমদা দাইজেষ্টিভ ফ্লুইদ (চাবা তুমহন্নবা মহী) কী খল মান্নরক্তবদগী অলসর ওইরকপনি।

অলসর ওইহল্লকপা য়াবা মরমশিংগী মনুংদা হেলিকোবেক্টর পাইলোরি (ঐচ পাইলোরি) কৌবা বেক্টেরিয়া মখল অমনা ইনফেক্ট তৌরকপা অমসুং পেনকিলর হায়না খঙনবা চীকপা-নাবা ফহনবা হীদাক ননষ্টেরোইদেল এর্ন্টি-ইনফ্লেমেটরি দ্রগ (এন এস ও আই দি) কা হেন্না শীজিন্নবা য়াওরি।

অলসরগী লাইওংশিং : অলসরগী লাইওং উৎথোরকপা য়াই, উৎথোরক্তবসু য়াই। করিগুম্বা উৎথোরকপা তারবদি চাক লাম্বা মতম নৎত্রগা অহিংদা পুক্কী ময়ায় থংবা নত্রগা মথক থংবা শরুক্তা শাবগা লোয়ননা চৈনাখোল ফাওবা, চাক চাদ্রবসু পুক ইথন থনগৎপা মানবা, থবাক শাবা, ওন্নিংবা নৎত্রগা ওবা অসিনচিংবা য়াওগনি।

খরা হেন্না ফীভম শোকচিনখ্রবা মতমদা উৎথোরকপা লাইওংশিংদি মুশিন মুবা মচুগী খোঙ হান্বা, য়েংবদা কোফি মানবা ঈ ওবা, হকচাংগী অরুম্বা হন্থরকপা, থজিন শৌগৎপা লোয়ননা পুক কন্না নাবা অসিনচিংবনি।

অয়াম্বা মতমদা মশা মথন্তা ফজখিবা তারবসু অলসরগী লাইওং উৎথোরকপা মতমদা থৌশাদবা, তরাইনা লৌবা তৌরোইদবনি। মতম চানা নীংথিনা লায়েংহৌদ্রবদি চাকখাউ হোবা, ঈ থোকপা, চাকখাউগা স্মোল ইন্টেষ্টাইনগা শম্নবা মরী ফুনবা য়াওনা খুদোংথিবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই।

লায়না অসিনা নারকপা য়াবা মীওইশিংদি হেলিকোবেক্টর পাইলোরি বেক্টেরিয়মনা ইনফেক্ট তৌরবা নৎত্রগা চীকপা-নাবগী হীদাক কা হেন্না চাবা নৎত্রগা ঈ মরীদা কনাগুম্বা মীওই অমা অলসর নাবা য়াও-খ্রবা নত্রগা নুমিৎ খুদিংগী য়ু থকপা নৎত্রগা মশাগী চহী ৫০ হেল্লবা নৎত্রগনা লিভর, কিডনি অমদি লংসকী অনাবা লৈরবা মীওইশিংনি।

অলসর লায়েংগী মরু ওইবা পান্দমদি, অহানবদা চৈনাখোল কোকহনবা, অনীশুবদা চাথৎলিবা মফমদু ওইশিলহনবা অমসুং



অহুমশুবদা অতৈ খুদোংচাদবশিং থোকহন্দবা হায়বসিনি। মৈখু শীজিন্নবা লেপহনবা, য়ু থকপা তোকহনবা অমসুং পেনকিল্লর চাহন্দবা হায়বা রিস্ক ফেক্টর হন্থনবগী থৌরাং অসিনা লায়েং পথাপকী অহানবা খোঙথাংনি।

মথংগী খোঙথাংদি হীদাক থাবনি। অলসরগী মতাংদা অহানবা অমসুং ইচম-চম্বা হীদাক্তি এন্টাসিদনি। এন্টাসিদনা চাকখাউদা য়াওবা এসিদ ন্যুত্রেলাইজ তৌদুনা পুক নাবা, থজিন শৌগৎপা ফহল্লি। হীরমসিদা খঙ-হৈরবা দোক্তর অমগা তান্নদুনা তঙাইফদবা হীদাক-লাংথক পুম্নমক চাং নাইনা অমসুং মতম শুনা চাগদবনি। মতম চানা লায়েংলবদি ইরায় লায়না ফহনবা ঙম্বা অনাবনি।

ইশা ইশানা লৌখৎচবা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা মৈখু শিজিন্নদবা, য়ু থক্তবা অমসুং য়ারিবমখৈ চীকপা-নাবগী হীদাক, পেনকিল্লর চাদবা অসিনচিংবা য়াওরি। অলসর নারবা মীওইশিংনা নোংমগী মনুংদা ঙাইহাক-ঙাইহাক মতম কাইথোক্তুনা মেদিটেশন তৌরগা ৱাখল চরাংনবা কোকহন্নবা হোৎনগদবনি। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবসু কান্নগনি। হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা এন্দোর্ফিন কৌবা হোর্মোন মখল অমা রিলিজ তৌরক্তুনা ৱাখল নুংঙাইহল্লি অমসুং চৈনাখোল হন্থহল্লি।

পেপ্টিক অলসর হায়বসি মহীক্না থোকহনবনিনা মসিবু ঙাকথোক্ল বা ভেক্সিন অমদি শোয়দনা পুথোরক্কনি। লম অসিদা থিজিন-হুমজিনবশিংনা য়াম্না কন্না ভেক্সিন পুথোক্লবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক মরকসিদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন-থৌরাং খরা মখাদা পীজরি :

চারমদাই নৎত্রবসু অয়াম্বা মতমদা খুৎ-শা শেংনা হামদোক্কদবনি।

মৈখু শীজিন্নরোইদবনি। করিগুম্বা শীজিন্নবা তারবদি হৈনবী অসি থাদোক্লবা হোৎনগদবনি।

য়ু কা হেন্না থকপনা অলসর ওইরক্লবগী অচৌবা মরম ওইহল্লি। মরম অদুনা য়ু থকপগী হৈনবী থাদোক্কদবনি। কনাগুম্বা চীকপা নাবগী হীদাক চানা-চানা য়ু থকপা তারবদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। তঙাই ফদবা অনাবা অমা লৈবদগী চীকপা নাবা ফনবা হীদাক চাবা তারবসু দোক্তরগা তান্নরগা চাকখাউ শোক্তনবা হীদাকসু চাগদবনি।

কোফী, কোমলা মহী অমদি খামেন অশিনবগী অচা-অথকশিংদা কেফিন অমদি এসিদকী চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না পোৎলমশিং অসি চাং হন্থনবা হোৎনগদবনি।

ৱাখল চরাঙনবা মতমদা চাকখাউদা এসিদ হেন্না থোরক্তুনা অলসর ওইহল্লকই। মরম অদুনা নোংমদা মতম খরা-খরা কায়থোক্তুনা মেদিটেসন তৌবা কান্নগনি।






Title: Frogen Anna
By: Sweety Thiyam
Class: III Sec: B Roll No. 89
School: Regular English High School



Title: Moonlight Scenery
By: Delina Yangambam
Class: VI Sec: C Roll No. 42
School: CHRIST JYOTI SCHOOL



Title: A Bull Dog Robber
By: Anderson L.
Class: III Sec: A Roll No. 2
School: Catholic School



Title: Dog
By: N. Lanchenba
Class: II Sec: A Roll No. 27
School: Standard Robarth Hr. Sec. School




Title: Save Earth & Save Tree
By: Singheiremba Oinam
Class: II Sec: A Roll No. 58
School: Standard Roberth High Sec School



Title: Lion
By: Surjakanta
Class: II Sec: D Roll No. 23
School: Standard Roberth Higher Sec School



Title: Cow
By: Nibedita Khumukcham
Class: III Sec. A Roll No. 53
School: Little Flower School



Title: Ice-Cream
By: Ingudum Paikhomba Meetei
Class: VI Sec: A Roll No. 25
School: St. Joseph's Hr. Sec. School.